

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯶, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ২৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ০০৪ শুবা মশীং

নহারোলশিংগী থৌদাং

ঐখোয় মশেল পূনশিন্নরগা করি তৌসিগে থিদোকসি

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিবু য়ঙ ইন্দিয়া হায়না মমিং থোল্লি। য়ঙ ইন্দিয়া হায়না মমিং থোনবগী ৱাহন্থোক পীরদুনা মহাক্না হায়, লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৬৫দি মশাগী চহী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীশিংনি। নহারোলশিংনা মশীং য়াম্না লৈবাক অমা হায়বসি শৃনোম্বীনবা, ৱাখল লৌশিং পুথোকপীনবা অমসুং হীরম খুদিংমক্তা হৈথোই-শিংথোইবা মীগী মশীং ৱাত্তবা মরম্না লৈবাক অসি নুংঙাই-য়াইফহনবা ঙমগনি হায়বসিনি। লুরিবা ৱাফম অমদি য়ামখ্রবা লৈবাক অসিগী নহারোলশিং অসি হৌজিক-হৌজিক করি তৌদুনা লৈরি অমসুং মখোয়দা করি তৌহন্নবা লৈঙাক্না হোৎনরিবগে হায়বসিনি। মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা, ৱাখল লৌশিং ৱাৎত্রবা নহারোল লাক্ষ কয়া হৌজিকসু মখোয়দা চুনবা থবক ফংহন্দবগী লৈঙাক্তা ৱারৌরি। নহারোলশিং অসিনা করি থবক শূবা পাল্লিবগে অমসুং মখোয়দা কমদৌনা থবক ফংহনগদগে হায়বসি লৈঙাক অমা ওইবগী তঙাইফদনা খন্দবা য়াদবা ৱাখল ওইবদা নত্তনা থবক্তা ওন্থোক্তবসু য়াদবনি। তুংগী য়ূম্বীনি হায়না লৌনরিবা নহারোলশিং অসিদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা থৌদাং লৌহনদ্রিবমখে লৈবাক অসিগী মফম অমত্তদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহনবা ঙল্লোই। মহৈরোয়শিংদা পূক্নিং ইথিল পীদুনা মরু ওইবা থৌদাং লৌহল্লবা মতমদতা স্কুল, য়ূম-য়ূম অমসুং খুন্নাইদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরকপা ঙমগনি হায়বসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অচেৎপা থাজবনি। মসিনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৬কী মে থাদা য়ু এন পিছ বিল্ডিং প্রমোসন্না অহানবা ওইনা য়ুথ প্রমোসন ইনিসিএটিভ পায়খৎতুনা নহারোলশিংবু মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌহনবা হৌখি। মণিপুরদসু থবক ফংদ্রিবা, ৱাখল চরাংনবা, লৈতাফম খঙদবা নহারোল লিশীং কয়া লৈরি। মখোয়না তুংগী পুন্সিরোলদা করম্বা লম্বীদা লাক্কদগে হায়বদু হৌজিকসু ঐখোয়না খঙবা ঙমদ্রি। মখোয়দা ফজরবা অমসুং পূক্নিং হুবা য়াবা ৱাহৈ-ৱাতা খরখক্না মখোয়গী খৌরাংবদা কোকহনবা ঙল্লোই। লৈঙাক্কী ওইবা হ্বাইট কোলর জোব পীবা ঙমদ্রগসু মখোয়দা মশানা-মশাবু থবক পীজনবগী থৌশিল-থৌরাং য়াৎথোকপগা লোয়নননা অচৌবা শেনফম থাদবগী তঙাইফদবা লৈ। লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী ওইবশিংনা থাগী তলব ফংগনি। ফংলিবা শেনফম অদুনা মখোয় নুংঙাই-য়াইফনা হিংদ্রগসু চরা হেনবগী অৱাবদি কোকহনবা ঙল্লি। মখোয়না লেল্লিবা পুন্সি মরেলগুম থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংসু শেন্থোক লম্বী পীবা হায়বসি লৈঙাক্কী তঙাইফদবা থৌদাংনি।

টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না মালেম অসি হৌজিক্তি অপীকপা খুঙ্গং অমগুল্লে। মালেমগী কাচিন-কোয়াদা থোকপা অপীকপা থৌদোকশিং খুদক্তা মালেম শিনবা থুংনা খঙবা ঙল্লে। সোসল মিদিয়াগী খূথাংদা মখোয়গী অনীংবা অমনা অমদা ফোঙদোক্লদুনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনবগী লম্বীসু লৈরবনি। অদুবু ঐখোয়গী নহারোলশিংদি সোসল মিদিয়াবু কান্নবা হীরমদা শীজিন্নবা ঙমদ্রি। মদুগী মহুত্তা কান্নদবা ফোটো, ৱাখল-লৌশিং থোক্লোইদবা ৱাফম কয়া থাগৎতুনা মতম মাঙহল্লি। মদুগী মহুত্তা মখোয় মশেল অমগা-অমগা ঈ-পাউ ফাওনদুনা খুন্নাই অসিগীদমক ঐখোয় করি তৌসিগে হায়বা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা লৌহন্নীংই। সোসল মিদিয়া শীজিন্নরিবা নহারোলশিংনসু মমান্নবা মশেল ৱারী শান্নবা অমসুং ওন-লাইন্দা পোৎ চৈ চেনবখক নত্তবা খুন্নাইগী ওইবা কান্নগদবা পাউজেলশিং শন্দোকপগী তঙাইফদবা লৈরি। লৈঙাক্না ঐখোয়গীদমক করিমত্তা তৌবিদ্রে হায়রগা ঐখোয় তুমিন্না লৈরগদ্রা? নহারোলশিং অসিনা করিসু হায়দনা লৈথোকখিবা তারগদি মতুং তারকপদা মখোয়না খুন্নাই অসিগীদমক করি থৌদাং লৌরক্কনি হায়বসি লাম্বদা ৱাবা ৱাফম অমনি। ৱাফম অসি পল্লকপা মতমদা সোসল মিদিয়াদা মীওই ১০০/১০০গী টিম শাগৎতুনা অখঙ-অহৈ অমগী লমজিং মখাদা মরু ওইবা পাউতাক লৌরগা খুন্নাই অসিগী থবক তৌনবা লম্বী থিবগী তঙাইফদবা মতম য়ৌরে। ঐখোয়না ইহৈ-ইশিল তন্নুরিবা নৎত্রগা হীরম অমদা খঙননবা হোৎনরুবা খুদিংমক্কী চন্নফম লৈগনি। তৌবদদি ঐখোয় থবক শূবা তাই, চোকথবা নাইদনা হোৎনবা তাই। থবক শূবদা লৈখোম পায়বা তন্দবা তাই। মসিনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ময়োল চোংহনবা ঙম্বদা নত্তনা ৱার্ক কলচর শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, ঙসিগী নহারোল ঐখোয় পূম্নমক্কী মথংগী মপোকনি। মখোয়বু চনীং তানা লৈহনবা ঙম্লগদি ঐখোয়গী মথংগী মপোক্তা নুংঙাই-য়াইফবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী পোলিটিসিয়নশিং, ফিলোজোফরশিং অমসুং থৌইনশিন পীবা ঙম্বা মীওই খুদিংমক্না নহারোলশিংগীদমক অখন্নবা থৌশিল অমা শেম্মনবা হোৎনগদবনি। মখোয়বু অরানবা লম্বীদা চৎখিদনবা হেক ঙম্বমখে মশানা-মশাবু থবক পীজনবা লম্বীদা পুশিন্ননবা হোৎনসি।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌগনি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হন্দক ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিগী শ্রী বিরেন্না লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা হীরম খুদিংমক্তা ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংদা অখঙ অহৈ য়াওনা মীয়ামগা তান্দুনা থবক তৌগনি হায়বিখ্রে। মদুগা লোয়নননা রাজ্য অসিদা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমা লিংননবা হোৎনগনি হায়না হৌজিক্তি এম সী এস অমসুং এম পি এস ওফিসর অনীনা লুচিংবা এন্টি করপসন সেল অমা হাংদোক্লুনা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা থবকশিং থিংননবা অমদি শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা ওফিসলশিং আইনগী ওইবা চৈরাক পীনবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে। মসিমক্তদা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং কয়ামরুম লাকপদগী মেরিট লৈবা ৱাকৎশিং খনগৎতুনা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা কেস লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌরক্লিবসিদা অকিবা ৱাৎপগুম শেঞ্জা থুমজা কয়া অদুম চত্থবগুন্নদি উরি। মসিমসু মমুৎ তানা থিজিনবীদুনা রাজ্য অসিদগী শেঞ্জা থুমজা পুম্নাং মাঙহন্নবা চেকশিন্না হোৎনবীরবদি মীয়ামগী য়াইফবা ওইগনি। অদুবু লুরিবা অমদি দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা চহী ৫ খুদিংগী পাঙথোকপা লোক সভা অমদি ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনশিংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইলেক্সন ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা পাঙথোক্লবা, মীখলদা শেল য়েন্দনা অফবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট পীনবা কন্না হোৎনরবসু ঙসি ফাওবা ঙমদবগুম্না লৈরি। লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংনা নুমিৎ নীনিদগী হেন্না ফাইলশিং পন্থদনা থমগদবনি হায়না য়াথং তাওথখিবা অদুমক থবক্তা ওন্থোক্লিব্রা ওন্থোক্তব্রা হায়বগী চিংনবা কয়া লৈনরি। লৈঙাক্কী গ্রেদ থ্রি অমসুং ফোরগী অহাংবা ফমশিং মেনশিনবদা রিটর্ন টেষ্টখক্তমক তৌরগা মদুদা ফংলকপা মার্ককী মতুং ইন্না অহাংবা ফমশিং মেনশিনগনি হায়বসিমসু ঙম্লগদি শেঞ্জা থুমজা থিংবদা মতেং শোয়দনা ওইগনি। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো অনৌবা লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা শেঞ্জা থুমজা থিংনবা খোঙথাংদি মীয়াম্না শৌগৎফম থোকই। লমদম অসিদা ফনা চেকশিল্লবসু মতম কয়াদগী অদুম চত্থদুনা লাকপা অমদি শক মায়, শঙ্গ-পঙ্গ হায়বা অমসু লৈরিবনিনা মসিমক্না শেঞ্জা থুমজা পুরামক লৌথোকপা ঙমগনি হায়বসি খরা লুরি হায়না খল্লি। অদুবু লৈঙাক্না শেঞ্জা থুমজাদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা অহকপা চৈরাক পীরক্লবা মতম অদুদদি এন্টি করপসন শেলগী শক্তি শোয়দনা তপ্পা তপ্পা মায় পাক্লকপা য়াই হায়না লৌজে। মসিমক তাহন্নবা হন্দক্কী এন্টি করপসন সেল অসিদা শেঞ্জা থুমজাগী মমিসি ঐগী-মীগী নাইদনা থবক পায়খৎপা ঙম্লবদি অনৌবা লৈঙাক অসিবু পুৱারীগী লমাইদা সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌগনি হায়না খল্লি।

অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮

১। শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা থায়নদগী চৎনরকপা অমনি।
    (ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী চৈরাওবসি হৌখিবগে?
    (খ) ইহান হানবা চৈথাবা মীশক্তুগী মমিং হায়য়ু।
২। "মীতম্বাক্তা চাউরবা/মীরোন্নিদা তাংলবা/পলেম পম্থৌ খঙদবা/নচানিদা তোল্লবা।" পরেংশিংসি 'বসন্ত শৈরেং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "চৈরক্তুদা উরকই ঐগী লোয়নবী/মাগা অহানবা উনখিবা/থম্মোয় অমতা ওইখিবা/লুহোংবা নুমিৎকী তেল্লবা অহিং।" পরেংশিং অসিনা কবি সৌবাম তোম্বা লুৱাংনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। নুপীনা ইবা ৱারীমচাগী ইহান হানবা লাইরিক অমা কুমজা ১৯৫৮দা থোক্লকই। লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌই?
৫। বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা ইবা ড্রামা 'থম্বালনু' কৌবদু হিন্দিদা হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোয়দুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লৌমীশিংগী কাখল

ফৌদিদা চেকশিন থৌরাং

ডা: এম থোইথোই সিংহ

অফবা ফৌদি শীজিন্নবনা ফত্তবা ফৌদি শীজিন্নবদগী পোথোক হেল্লি। চাদা ৩০ ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়বগী প্রমান কয়া উৎনখ্রবা, য়ানরবা ৱাফমনি। অফবা ফৌদি হায়বসি মীয়াম্না পান্নরবা মখল ওইবতা নত্তনা শাহৌফবা, মতীং লৈবা লায়না চেন্দবদুনি। ফত্তবা মরূদা অফবা লৌউ পথাপ শীজিন্নরবসু পাল্লিবা পোথোক য়ৌবা ঙমদে।

অফবা ফৌদিদা চেনগদবা গুনশিং ঃ

১. পাল্লিবা মখলদুগী অশেংবা চারোন-শুরোন ওইবতা নত্তনা অতোপ্পা জাৎকী মরূ অমত্তা য়ান্দবা।
২. অতোপ্পা পাম্বীগী মরূ অমসুং নাপী মরূ য়াওদবা, চরু চনাইনচিংবা পাম্বীগী মচেৎ মকাই য়াওদবা।
৩. মপুং ফানা চাউরবা অমসুং লিরবা ফৌদি।
৪. ময়োন চোংবগী চাংদা চাদা ৮০ দগী তাদবা।
৫. ময়োন চোংবা অমসুং হৌবদা চাং মান্নবা।
৬. লায়না তীলনা চেন্দবা।
৭. য়াম্না থুনা চাউগনবা।
৮. ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ১৩ দগী হেন্দবা। হায়বসি ফৌদিদা চেনগদবা তঙাইফদবা গুনশিংনি।

ফৌদিদা লায়না ৯৫ মুক অমসুং তীলনা ৮০০ মুক তাই হায়না পানরবসু মফম অমত্তদা পূম্নমক তাবা নত্তে। মফম খেন্নবগী মতুং ইন্না লায়না অমসুং তীলনা খেন্নে। মণিপুরদা ফৌগী লায়না তীলনা ১৫/১৬ তগী পঙহেন হেন্দে। চহী খেন্নবগী মতুং ইন্না লায়না তীলনাসু খেন্নে।

ফৌদিদা চেন্নরকপা লায়না ঃ

১. ফৌদিদা কোকফাই সুজানা থোকহনবা লায়না ৫৫ গী মনুংদা ৪৩ দি ফৌদিদা চেন্নরকই।

২. বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না ১০ মরূদগী চেন্নরকপনি হায়না রিপোর্ট তৌরি, খরনা চিংনরি।

৩. ফৌ পাম্বীগী শাহৌদা ভাইরসনা থোকহনবা লায়না ২১ গী মনুংদা অনীদি ফৌদিদা চেন্নরকই হায়না পানৈ।

৪. ফৌ মরানা লৈরিবা মফমগী অকোয়বদা নেমাটোড (অকুপ্পা, মনুং ফাওবা উবা অশাংবা তীল) মখল ১০০ মুক লৈবগী মনুংদা মাপলনা লায়না থোকহল্লি, মসিগী মনুংদা অমদি মরূদা চেন্নরকই হায়না পানৈ।

মরম অসিনা চেন্নরকপা লায়নাশিং ঙাকথোক্লবা হীদাক তোৎপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরে। মসিগী মথক্তা পাম্বীনা নৌরিঙৈদা তারকপা য়াবা তীলশিংদগীসু ঙাকথোক্লবা হীদাক তোৎনৈ।

মরূদা হীদাক তোৎপগী মরমশিংদি ঃ

১. পাম্বীনা শাহৌফনা হৌনবা অমসুং লায়না তাবা হন্থনবা।

২. চাং মান্ননা হৌনবা।

৩. পোথোক হন্থবগী চাং হন্থনবা।

৪. অনৌবা মখলগী লায়নাশিং লৌফমদুদা শন্দোরক্তনবা হায়বসিনি।

মরূদা হীদাক তোৎপদা পীরিবা কান্নবশিং ঃ

১. ফৌ পাম্বীনা ময়োন থোকপা মতম অমসুং ইনখৎলকপা মতমদা উৎলক্কদবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী।

২. ঙল্লিঙৈ মতমদা তারকপা লায়নাশিংগীদমক লৌপাক্তা হীদাক কাপ্পা হায়বদি য়াম্না ৱাবা, শেল চংবা অমনি। মরূদা হীদাক তোৎহৌবনা হেন্না ফৈ।

৩. শঙ্গোয়দা, শঙ্গোলদা, য়েনখাদা মচি অমদা ফন্নগা হীদাক তোৎপা য়াই। নোং-চিং, নুংশানা অকায়বা পীদে।

৪. হীদাক খজিক্তা চঙই। হীদাক্কী চাং হন্থনা শীজিন্নবা মীপুম খুদিংনা পাম্নে।

৫. হীদাক হন্থনা শীজিন্নবা মরম্না অকোয়বদা হীদাক চাইথোক্রে। অকোয়বগী ফীভম ফনা লৈ। পাম্বীদা হীদাক কাপ্লবদি হীদাক হেন্না চাইথোকই, অকোয়বদা অকায়বা পী।

৬. কোকফায়, বেক্টেরিয়া, নেমাটোড অমসুং মখল মখা কয়াগী তীলশিংনা মখোয়বু হাৎনবা তোয়না কাপ্লিবা হীদাকশিংদগী ঙাকথোকচবা (Resistance) ঙমজরকই। অদুবু মরূদা তোৎলবদি অসিগুম্বা সমস্যা লাক্তে।

৭. মরূদা হীদাক তোৎপনা মরূদা চেন্নরকপা মহীকমতায়খক হাৎলি। কান্নবা পীবা তীল-কাংশিং (benificial entities) বুদি হাত্তোক্তে।

খুদোংচাদবা খরা ঃ

১. মরূদা হীদাক তোৎপা কান্নে খঙলবসু মখল খুদিংগী কোকফায় লায়না, নেমাটোড অমসুং মখোয়গী রেষ্টিং স্পোরশিংনচিংবা লোইনমক হাৎপা ঙম্বা অকক্লবা হীদাক লৈতে। মফম মফমগী তাগনবা লায়না তীলনাগী মতুং ইন্না হীদাক শীজিন্নবা তাই।

২. পাম্বীগী অথেংবা মতমদা তারকপা লায়না তীলনাশিংবুদি ঙাকথোকপা ঙমদে। ফৌগী অঙনবা মতম খক্তীনি। লায়নাগীদমক নুমিৎ ৩৫ নিমুক্লি। তীলশিংগীদমক্তা নুমিৎ ৫০-৫৫ নি মুক্লি (লৌহোন্দা হীদাক শীজিন্নবদা)।

৩. উচি, উচেক, নেমাটোড, উকাকফৈনচিংবা ঙাকথোক্লবা মরূদা তোৎনবা অফবা হীদাক লৈতে।

৪. পীক্লবা ফৌদিদা চুপশিনহনখিবা হীদাকশিং পাম্বীনা চাউরক্লবা মতম ফাওবা লৈতে। হীদাক্কী চাং পাথরকই। য়াম্না তুং কোইবা হায়বদুদি ওইদে।

খুদোংচাদবা খরখক লৈজরবসু কান্নবা ময়ামসিগীদমক মরূদা হীদাক তোৎপা তাই। লায়না তীলনা ঙাকথোকপদা মখল মখা কয়াগী কাংলোন চঙই। মরূদা হীদাকখক তোৎহৌরে হায়দুনসু পেন্থোকপদি য়াবা নৎত্রি। সীদ ট্রিটমেন্ট হায়বা কাংলোনসিখক্না ফৌদা তাবা লায়না তীলনা খুদিংমক ঙাকথোকপা ঙম্বা নৎত্রগসু লায়না তীলনা ঙাকথোকপগী কাংলোনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা অমা ওইরি।

ফৌদিমক্তা তীলনা থোকহনগদবা তীলমক্তি চেন্নরক্তবনা হীদাক তোক্তবসু তঙাইফদনা কোকফাই হীদাক্তি তোৎপা হায়বসি তঙাইফদে। মমাঙঙৈদা ফৌদিদা হীদাক তোৎপগী থৌরমশিং অদু শাঙথনবনা কয়া পাম্নদে। মতম চঙই, ৱায় হায়দুনা।

য়াম্না তেনবা, ৱাদবা, চপ চানা কান্নবা ফংবা থৌরম অমদি Carbendazim তোৎপসিনি। নোংমা নৎত্রগা নীনি তীঙলবা ফৌদিদু লৌখৎলবা মতুংদা Carbendazim 50% WP গ্রাম মরি ফৌদি কীলো খুদিংদা তোৎলগা ওমগনি। মসিনা মরূদা চেন্নরকপা কোকফাই লায়নাশিং লৌফম য়ৌহন্দবদা চাওনা মতেং পাঙই। ফৌদিশিংদুগী ময়োন ইনখৎপদসু মতেং পাঙই।

মরমশিং অসি লৈবনা ফৌদিদা হীদাক তোৎহৌসি।

মণিপুরগী লৌফমশিংগী কোন্ননবা করম্না ফৌদি পুথোক্কনি

এস সুমঙ্গল সিংহ

মীয়াম্না ইখঙ-খঙনরবা ৱাফম অমদি, অফবা মরূনা থাবনা ফত্তবা মরূনা থাবদগী চাথোক্তা চাদা ১৫-২০ হেল্লি হায়বা ৱাফম অসিনি। অমরোমদনা অমুক ফৌগী অপূনবা লৌফমশিংগী শরুক মরি থোকপগী অমখক্তং চহী খুদিংগী অফবা মরূনা থাহনবা ঙল্লবা লৌফম খুদিংমক অফবা মরূনা থারে হায়না লৌবা য়ারে। মরমদি অফবা মরূনা অমুক থারবা মতুংদা মদুদগী হন্না হন্না লোকপা ফৌদি অদু অশেংবা ধারাগী অফবা মরূনি/ফৌদিনি হায়না অদুমক লৌবা য়াই। তৌবতবু ফৌদি অদু ধারা শেংজরবসু খরা চেকশিন্না হোৎনদুনা চঙ-চঙ লাউবা, নাপী মরূ অমদি অতৈ অমোৎ অকায় য়াওদবা, লায়না-তীলনা চেন্দবা অমদি ফৌহাম য়াওদবা মরূ ওইনবা খরা চেকশিনবদি চঙই। চহী মরি শুরকপদদি অনৌবা অশেংবা মরূনা অমুক শিন্দোকপদি তঙাইফদে।

চহী অমগী কোন্ননবা অফবা মরূ পুথোক্লবা করি তৌগনি?

মণিপুরগী ফৌ থানরিবা লৌফম অসি চহী খুদিংগী খরা হেন্দোক হেঞ্জিন নাইজরসু পরি লাক্ষ অনীনি হায়না লৌরি। চাউরাক্না হায়রিবা পরি লাক্ষ অনীসি সেটলাইট দেটা নৎত্রবসু চুমগনি খল্লি। মসিগী শরুক মরি থোকপগী অমা হায়বসি লৌ পরি লিশীং য়াঙ্খেনি। চাউরাক্না পরিদা ফৌদি কিলো ৫০ চঙবা মতমদা পূন্না ফৌদি কিলো (৫০০০ x ৫০ = কিলো ২৫০০০০০ হায়বদি টন ২৫০০দি পুথোকপা তাই। চাউরাক্না লৌ পরি অমনা ফৌবোৎ ১৪০ (শঙমদা ফৌবোৎ ৩৫ পুথোকপগী চাংদা) হায়বদি কিলো (১৪০ x ৬০ = ৮৪০০, ফৌবোৎ ১ = কিলো ৬০) পুথোকপা ঙম্বগী চাংদা কিলো ২৫০০০০০ পুথোক্লবগীদমক পূন্না লৌ পরি ২৯৭.৬২ চাউরাক্না লৌ পরি ২৯৮দা ফৌদি পুথোকহন্নবা পান্দম থম্বা তাই। হায়রিবা পান্দম অসি ফংনবা কনানা করম্বা মখলগী মরূ কয়া য়াম্না পুথোকপা মথৌ তাবগে হায়বদুসু অমুক য়েংবা তঙাই ফদে। হায়বদি ব্রীদরশিংগী মখূৎতা ন্যুক্লিয়স সীদ কয়া য়াম্না লৈফম থোকই, মদুনা ব্রীদর সীদ কয়া য়াম্না পুথোকপা তাই, ব্রীদর সীদ কয়ানা ফাউন্দেসন সীদ কয়া য়াম্না পুথোকপা ঙমগনি, অরোইবদা সার্টিফাইদ সীদ কিলো ২৫০০০০০ পুথোক্লবা ফাউন্দেসন সীদ কয়া য়াম্না লৈফম থোকই হায়বনচিংবা মমুৎ তানা খঙদোক্লুনা মাগী-মাগী, মথক্তা পঞ্জখিবা মরূ মখলশিং অসি পুথোক্লবা লৈরিবা লোইশঙশিংগা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগা পূন্না থৌদাং য়ামিন্নবা অমা তঙাইফদনা চঙই।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফমশিং অসি থমজবগী মরমদি অফবা মরূ পুথোক্লবগীদমক সীদ জেনরেসন সিষ্টেম অমা লৈজে। সিষ্টেম অসিদা লৈরিবা মরূগী মখলশিং অদুদি-

১) ন্যুক্লিয়স সীদতগী ২) ব্রীদর সীদ; ব্রীদর সীদতগী ৩) ফাউন্দেসন সীদ; ফাউন্দেসন সীদতগী ৪) সার্টিফাইদ সীদ মথং-মথং পুথোরক্তদৌরিবনি।

অহানবা অমদি অনীশুবা মখল নৎত্রগা থাক অসি সাইন্টিষ্টশিং নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসনশিং (কোলেজশিং, য়ুনিভর্সিটিশিং, রিছার্স সেন্তরশিংদা লৈরিবা সাইন্টিষ্টশিংনা হকথেংননা য়েংশিন্দুনা চামদা চাম্মা ধারা শেংবা মখলগী মরূনি। ফাউন্দেসন সীদ হায়রিবা মখলসিনা সাইন্টিষ্টশিংনা মখোয়গী সেন্তরশিংদা লম মতিক চানা লৈরবদি অদুমক পুথোকপীবা য়াই। অতোপ্পা কনাগুম্বা ফার্মর গ্রুপ, এন জি ওশিং নৎত্রগা ফার্মর ক্লবশিংনা পুথোকপীবা য়াই। তৌবতবু ফাউন্দেসন সীদসু সার্টিফাই তৌবদি তঙাই ফদে। সার্টিফিদ সীদ হায়রিবা মখল অসিনি লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা থাননবা করম্না কোন্ননবা পুথোক্কনি হায়না থমজরিবা মরূ মখলসি।

মথক্তা থমজখিবা মরূ মখলশিং অসি লৌফম কয়া য়াম্না শীজিন্নদুনা থল্লিবা পান্দম হায়বদি মরূ কিলো ২৫০০০০০ লৌমীশিংদা ফংহনগদগে হায়বদুনি মরু ওইরিবসি। মসিগীদমক প্লান্নিং অমা চঙই। মসিগীদমক সীদ রিপ্লেসমেন্ট রেট, সীদ মল্টিপ্লিকেসন রেসিও, লেন্দ রিক্যার্মেন্ট হায়বনচিংবা খঙবা মথৌ তারক্লিবসি।

হৌজিক প্লান খরা য়েংসি।

প্লান নম্বর ১ : লৌ পরি ৫০০০০দা অফবা মরূ ফংহন্নবা পান্দমদা শেম্বা প্লান

চঙগদবা মরূগী মখল	পুথোকপদা/থাবদা চঙগদবা মরূগী চাং (কেজি)	পুথোকপদা চঙগদবা এরিয়া (পরি)	অফবা মরূ থাননবা এরিয়াগী পান্দম (পরি)
সার্টিফাইদ সীদ	২৫০০০০০	২৯৮	৫০০০০
ফাউন্দেসন সীদ	১৭৮৮০	২.১৩	
ব্রীদর সীদ	১২৮	০.০১৫	

টেবল অসিদা থমজরিবসিগী ৱাহন্থোক্তি ঐখোয়না লৌ পরি ৫০০০০দা অফবা মরূ (সর্টিফাইদ সীদ) ফংহন্নবা হোৎনবা মতমদা মরূ কিলো ২৫০০০০০ চঙগনি, মসি পুথোক্লবগীদমক ফাউন্দেসন সীদ কিলো ১৭৮৮০ চঙগনি। লোয়ননা মসি পুথোক্লবগীদমক লৌ পরি ২.১৩ খক তঙাইফদনা চঙই। হায়রিবা ফাউন্দেসন লৌ পরি ০.০১৫ খক মথৌ তাই। কয়াদা লায়না উরিবা। হায়রিবা অসি পরিদা মরূ কিলো ৬০ লৌহোন হুল্লগা লীংবগী চাংদা অদুগা লৌ পরি অমদা ফৌবোৎ ১৪০ পুথোকপা মতমদনি। ওইথোক্কদ্রা? ক্রোপ কম্পিটিসন্দা থোকপা ফৌথোক্কী চাং য়েংলুরগদি ইরায় লায়না ঙম্ফম থোকই।

প্লান নম্বর ২ : অতোপ্পা প্লান অমা অমুক য়েংসি।

চঙগদবা মরূগী মখল	পুথোকপদা/থাবদা চঙগদবা মরূগী চাং (কেজি)	পুথোকপদা চঙগদবা এরিয়া (পরি)	অফবা মরূ থাননবা এরিয়াগী পান্দম (পরি)
সার্টিফাইদ সীদ	২৫০০০০০	২৫০০০	৫০০০০
ফাউন্দেসন সীদ	১৫০০০০০	১৫০০০	
ব্রীদর সীদ	৯০০০০০	৯০০০	

প্লান অসিদদি লৌ পরি অমদা ফৌবোৎ ১০০ খক্তং পুথোকপা ঙম্বা মতম লোয়ননা পরি অমা লীংবা ফৌদি কিলো ৬০ অদুমক চঙবা মতমদনি।

প্লান নম্বর ৩ : অতোপ্পা প্লান অমদনা এস আর আই মেথোদতা সার্টিফাইদ সীদ, ফাউন্দেসন সীদ, ব্রীদর সীদ পুথোক্লবা হোৎনরসি। মসিগীদমক মরূগী চাংনা পরিদা কিলো ৫গী চাংদা অদুগা পরিগী পোথোক্লা কিলো ৮৪০০ ওইহল্লসি। মতমদুদা মখাগী অসুম্না ওইবা য়াই।

চঙগদবা মরূগী মখল	পুথোকপদা/থাবদা চঙগদবা মরূগী চাং (কেজি)	পুথোকপদা চঙগদবা এরিয়া (পরি)	অফবা মরূ থাননবা এরিয়াগী পান্দম (পরি)
সার্টিফাইদ সীদ	২৫০০০০০	২৯৮	৫০০০০
ফাউন্দেসন সীদ	১৪৯০	০.১৭৭	
ব্রীদর সীদ	০.৯	-	

মথক্তা থমজরিবা প্লানশিং অসিগী মনুংদা অহুমশুবা প্লান অসি য়েংলুরগদি মণিপুরগী লৌ পরি লিশীং য়াঙ্খেগী অফবা মরূ পুথোকপা হায়বসি থোইদোক্না লুবা থবক্তি ওইদে। লৌ পরি ৫০০০০ অফবা মরূ পুথোকপা হায়বসি সীদ রিপ্লেসমেন্ট অসি ২৫% ওইগদৌরিবনি। মসি হায়বদি ফৌগীদমক্তি মরূগী রিপ্লেসমেন্ট অসি ১০০% ওইরে হায়বগা চপ মান্নে হায়বনি। ঐখোয় মরী লৈনবা পূম্নমক্কী থৌদাংখক্তা মঙায়রে ৱাৎলিবসি। অসুম্না চহী খুদিংগী মাগী মাগী লেভেলদা পুথোক্কদবা মরূগী চাংগী থৌদাং লৌনরবদি য়াম্না লায়না মহৈ-মরোং খুদিংমক্কী অফবা মরূ পুথোক্তুনা মণিপুরগী মপান্দা শেল কয়া অমা চৎলিবসিদগী কন্দুনা খুদিংমক য়াইফমিন্নগনি। মরূদা অরানবা কারোবার লৈরল্লবসু লৌমীশিংসু য়াইফগনি, মীয়ামগী চিঞ্জাকসু কোন্নদবা লৈররোই, মীপূম খুদিংমক নুংঙাইমিন্নরনি। তৌবতবু মরূগী ইন্দষ্ট্রি অরায়বা অমদি নত্তে। লৈবিদ্রগদি মাঙগদৌরিবনি। মাঙজৌননা মরূ পুথোক্লিবদুনে লৈগদৌরিবদুনে য়ানদুনা অমদি য়ানবা অদুবু পুকচেল শেংনা ঙাক্লবা অমদি তঙাইফদে।